# টাইফুন মেরান্টিনা চাইনা অমসুং টাইৱানদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ হাৎখ্রে



সাংহাই, সেপ্টেম্বর ১৬ : কুমসিগী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী কনবা নোংলৈ নুংশিৎনা চাইনাগী সাউথ ইষ্ট কোষ্টতা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ হাৎখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। রেস্ক্যু-অরশিংনা ঈচাউ থোক্লবা লন্বীশিংদা মী থি-হুন্বগী থবক কন্না চত্থখি অমসুং ৱার্ক ক্রুশিংনা য়ুম মিলিয়ন অমা হেনবগী পৱার নৌনা ফংহন্নবা লৈজবী থাদুনা হোৎনখি হায়রি। শাথিরবা টাইফুন মেরান্টি ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা মবুক তপথখি। মসিগী মমাঙ ঙরাং অকনবা নুংশিৎ অসিনা পেসিফিক ওসিনদগী শিৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা টাইৱানগী খা থংবা চিদাইদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হুমখি অমসুং মদুনা চাইনাগী ফুজিয়ন প্রোভিন্সকী পোর্ট সিটি সিয়ামেনগী মনাক্তা নোং কন্না চুহনখি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ফুজিয়নদা মীওই তরেৎ হাৎখ্রে অমসুং য়ুল্লোন্নবা ঝেজিয়াং প্রোভিন্সতা মীওই অহুম হাৎখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়া অমসুং গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। মীওই ১১ থিবা খঙখিদ্রো হায়রি।

মিটিওরোলোজিষ্টশিংনা চহী অসিগী খ্বাইদগী চাউবনি হায়রিবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদগী মথৱায় কঞ্জনবা ময়ুম থাদোক্ল খিবা মীওই ৩৩০,০০০ হেন্না ইরাই নুমিৎতা ময়ুমদা হঞ্জিন্নরকখি।

টাইফুন অদুনা টাইৱানদা মীওই অমা হাৎখ্রে অমসুং ৩৮ অশোক-অপন নংহনখ্রে। মীশিংনা ঈথৎ অসিদা ঙসি হয়েং শিৎলক্কদবা টাইফুন মালাকাস কৌবা অতোপ্পা টাইফুন অমগীদমক্তসু শেম শানখি। টাইফুন মালাকাসনা থাংজ নুমিৎতা ঈথৎ অদুদা নোং কন্না চুহনগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখ্রবনি।

টাইৱানগী ৱেদর জুরোনা লম অমসুং ঈশিংগী ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা শাথিবা নোং-চিংগী ফীভম অমসুং ঈচাউগীদমক্তা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা তকশিনখ্রে।

কুমজা ১৯৪৯ দগী হৌজিকফাওবদা চাইনাগী কোষ্টকী শরুক অদুদা হিট তৌখিবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা টাইফুন অদু মেরান্টিনা ওইখি হায়না সিনহুৱা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট মিদিয়াগী ইমেজশিংনা সিয়ামেনদা ঈচাউ থোক্লবা লন্বীশিং, তেক্তুনা তারকখিবা উশিং অমসুং মশুপ-মশুপ শুপচিল্লবা কারশিংগী শক্তমশিং উৎখি।

শাথিরবা নুংশিৎ অদুনা সিটি অদুদা পৱার ট্রান্সমিসন টৱার অহুম হুমদোকখ্রে অমসুং য়ুটিলিটি ক্রুশিংনা পৱার হঞ্জিনহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎখ্রে। ফুজিয়ন প্রোভিন্স অপুন্বগী ওইনা য়ুম মিলিয়ন ১.৬৫ ইলেক্ট্রিসিটি থদৎখ্রে হায়না সিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিৎতা ফ্লাইট অমসুং ট্রেন সার্ভিস দজন কয়া কেন্সেল তৌখ্রে, নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ওটম থখায় চল্লকপগী কুম্হৈগী অহৌবা নুমিৎতা চখোক-চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

টাইফুনশিং চহী খুদিংগী হৌজিক্কী মতম অসিদা কম্মন ওইনা শিৎলকই, মখোয়না পেসিফিক্কী অশাবা ঈশিং মথক লান্না লাকপদা পাঙ্গল হেনগৎখিবগা লোয়ননা লমদা য়ৌরকপা মতমদা অকনবা নুংশিৎ অমসুং নোং পুরকখি।

# বালিদা হিদা পোকখায়বদা মীওই অনী শিখ্রে, ১৯ শোকখ্রে



জকার্তা, সেপ্টেম্বর ১৬ : শগোলশেল নুমিৎতা ইন্দোনেসিয়াগী বালিগী করঙ্গাসেমদা লৈবা পদংবাই হিথাংফমদা ফেরি অমদা থোক্লকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীরৈবাকমচা অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৯ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ব্লাষ্ট অদু এক্সিদেন্ট অমনি হায়না মখোয়না থাজৈ হায়খি অমসুং টেররিষ্ট এটেক ওইরম্বা য়াবগী ফীভম লৈতে হায়খি।

থৌদোক অদু হি অদুনা হিথাংফমদু থাদোকখিবা মতুং পংকান কান্নদনা অয়ুক পুং ৯.৩৫ রোম তাবপদা থোকখিবনি। 'হি অদুনা হিথাংফমদুদগী থৌদোকখিবা মিনিট মঙাখক কান্নরগা অমসুং হিথাংফমদগী মিটর ২০০ রোমদমক লাপথোকপদমক ঙাইরিঙৈদা মৈখু কাবা উখি অমসুং মদুদগী পোকখায়বগী মখোল তাখি' হায়না করাঙ্গাসেম পুলিসকী চীফ সুগেং সুদার্সোনা হায়খি।

থৌদোক অদু থোক্লকখিবা মতমদা গিলি কেট অনী কৌবা হি অদু ৱেষ্ট নুসা টেঙ্গারা (এন টি বি) গী ঈথৎ অহুম হায়বদি গিলি এয়র, গিলি মেনো অমসুং গিলি ত্রৱাঙ্গন তম্না চৎখিবনি।

হি অদুদা মীরৈবাক্কী টুরিষ্ট ২৯ তোংখি, মখোয়দুদি স্পেনিস ২, বৃটিশ ৯, ইটালিয়ন ৬, পোর্টুগিজ ৪, জর্মন ২, দটচ ২ অমসুং ওষ্ট্রিয়ন ৪ নি।

ব্লাষ্ট অদুগী ভিক্টিম ১৫ পেন্টা মেদিকা ক্লিনিক্তা পুখি। মঙানা মাঙ্গিজ কম্যুনিটি হেল্‌থ সেন্টরদা অমসুং অতোপ্পা মঙানা ক্লুং কুং পব্লিক হোস্পিটালদা পুখি। ইম্মরজেন্সি ট্রিটমেন্ট পীরবা মতুংদা মখোয় লোইনমক দেনপাসার অমসুং গিয়ানয়ারদা লৈবা হোস্পিটাল কয়াদা হোংদোকখি।

পাদাংবাই হেল্‌থ এজেন্সিগী কোওর্দিনেটর পুতু স্বারদিয়ানানা হায়খি, মী হোনদোকপদুদা এম্বুলেন্স দজন কয়া চেন্নখি। ভিক্টিম অমা স্পাইন ফ্রেক্টচর তৌবদগী ক্লুংকুং হোস্পিটালদা দাইরেক্ট ওইনা পুখি' হায়না স্বারদিয়ানা হায়খি।

মশক মমিং খঙদ্রিবা অহানবা ভিক্টিম অদু হোস্পিটালদা পুবগী লম্বীদা শিখি। অনীশুবা ভিক্টিম মশাগী চহী ২৮ শুরবা ওষ্ট্রিয়ন মচা কথ্রীন জেফরর গিয়ানয়ারগী কাসিহ ইবু সাবা হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা শিখি হায়রি।

'ঐখোয়না হিথাংফম থাদোকখিবা মতুং মিনিট মঙাখক লৈরগা এক্সপ্লোজন অমা উখি অমসুং ঐখোয়না অশোকপা মীওই কয়াসু উবা ফংখি' হায়না পোর্টুগিজ টুরিষ্ট ইদুৱার্দা করভালহোনা হায়খি। মহাক্না সুপ্নগী মৈখুদমক উবা ফংখি, মৈ অমত্তা উদে হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবদা পুলিসকী বোম স্কৱাদ অমসুং ফোরেন্সিক লেবোরেটরি টিম চেন্নখি হায়রি। অহানবগী ওইনা থিজিনবদা মসি থাঙ্গৈশেংবা এক্সিদেন্ট অমনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ। দেককী মখাদা দ্যুন টেঙ্ক অমদগী লিক ওইরম্বা য়াই হায়না ঐখোয়না চিংনখি। তান চারবদি এক্সপ্লোজন অদু ইলেক্ট্রিক্কী সোর্ট সার্কুইট অমনা থোকহনবা ওইরম্বা য়াই' হায়না সুগেংনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, পোকখায়বদুগী চপ চাবা মরম খঙনবগীদমক্তা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন তঙাই ফদনা চঙগনি। হি অদুগী কেপ্টেন টোটোক ৱাশিটো অমসুং ক্রু মেম্বর অহুম - সুগিয়ার্টো, নয়োমান সুপারটিকা অমসুং কাদেক ক্রিস ৱাহং পাউহং চত্থখ্রে হায়রি।

# রেস্পোন্সিবল ইনভেষ্টমেন্ট পুরক্লবা ওং সান সু চিনা কম্পেনিশিংদা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১৬ : ম্যান্মারগী দি ফেক্টো লিদর ওন সান সু চিনা শগোলশেল নুমিৎতা য়ু এসকী কম্পেনিশিংদা হান্নগী মালেমনা ইস্থোক্লরগা লৈবাক অদুদা রেস্পোন্সিবল ইনভেষ্টমেন্ট পুরক্লবা আপিল তৌখ্রে। শেল-থুমগী ওইবা মায় পাকপনা মীয়াম অমসুং মপাঙ্গল লৈরবা মিলিটরিবু দিমোক্রেসি হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা ওপসননি হায়বদু খঙহনবদা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সু চিনা আপিল অদু তৌখিবনি।

প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা অথিংবশিং লৌথোক্লগনি অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাক অদুনা চহী য়াঙ্খৈরোমগী মিলিটরি লৈঙাক্কী মীওৎ-মীনৈদগী থোক্লকখিবগা ঈরোয়ননা মতম শাংনা মাংলুরবা লল্লোন-ঈতিক্কী বেনিফিট কয়া অমুক হঞ্জিনহল্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা লাউথোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা সু চিনা য়ু এসকী বিজনেস কম্যুনিটিদা ৱা ঙাঙখিবনি।

মশাগী পার্টিনা মমাঙগী নভেম্বরগী মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবা সু চিনা হায়খি মদুদি, অথিংবশিং লৌথোকপা হায়বসিদা পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক রিস্ক খরা থেংনগনি, হৌজিক্তি ঐখোয়গী মীয়াম্না মশাগী মপান তাংদুনা হিংবগী মতম ওইরে হায়না মহাক্না মখা তাখি। য়ু এসনা অথিংবা থল্লিবা ম্যান্মারগী কম্পেনি কয়া অমসুং মীওই কয়া মিলিটরিগা মরী লৈনৈ। সিভিলিয়ন রুলদা হোংদোকখ্রবসু অসিগুম্বা মীওইশিংনা হৌজিকসু মরু ওইবা পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক ইন্টরেষ্ট কয়া পায়শিন্দুনা থল্লি। য়ু এসনা ম্যান্মারদা মখা তানা প্রেসর পীদুনা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা হায়রি।

উ অমসুং মমল য়াল্লবা নুঙশিং য়াওনা হৌজিক ইলিগেল ট্রেদ পাক শন্না চত্থরি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ইঠনিক মাইনোরিটিশিংগা সিভিল ৱারসু চত্থরিবনি।

সু চিনা হায়খি মদুদি, শেল-থুমগী লমদা চাউখৎপা পুরকপনা লৈবাক্কী শন্দাইনবা পুরকপদা মতেং ওইগনি। মহাক্না ট্রান্সপোর্ট অমসুং ইনর্জিগী সেক্টরশিং চহী দিকেন্দ কয়া চৈথেং নংদুনা লাকখি অমসুং মহৈ-মশিন তম্বদা অমসুং হকশেলগী সিষ্টেমশিং অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী স্কিলশিং শেমগৎ-শাগৎপদা সপ্পোর্ট তঙাই ফদনা চঙই হায়খি।

'শেল-থুমগী লমদা মায় পাকপা হায়বসি ঐখোয়না মিলিটরি য়াওনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীওই পুম্নমক্তা ঐখোয়গী য়ুনিয়নগী ওইনা দিমোক্রেসিনা খ্বাইদগী ফরবা ওপসননি হায়না তকশিন্নবগী লম্বীশিংগী মনুংদা অমনি' হায়না মহাক্না দিন্নর অমদা হায়খি। দিন্নর অদু য়ু এস চেম্বর ওফ কম্মর্স অমসুং য়ু এস বিজনেস কাউন্সিলনা থৌবু ওইদুনা লাংখিবনি। য়ু এস-অসিঅন বিজনেস কাউন্সিল অসিনা সাউথইষ্ট এসিয়াগা মরী লৈনবা অমেরিকান বিজনেসশিং সপ্পোর্ট তৌই।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## REVENUE DEPARTMENT

### NOTIFICATION

Imphal, the 15th September, 2016

**No.1/1/2013-R(Pt) :** It is hereby informed to the candidates appearing in the written examination for recruitment to the post of (i) Lower Division Clerk (LDC) and (ii) Mandol in Revenue Department, Government of Manipur that the written examination will be held at Imphal on 18-09-2016 (Sunday) from 10:00 A.M. onwards. The allotment of Roll Nos. to Colleges/Schools/Examination Centres is given below:

**EXAMINATION CENTRES WITH ALLOCATION OF ROLL NUMBERS**

**(A) LOWER DIVISION CLERK (LDC)**

| SL. NO. | EXAMINATION CENTRE | Roll Numbers Starting | Roll Numbers Ending |
|---|---|---|---|
| 1. | Human Resource Development Academy, Ghari | 01 | 758 |
| 2. | L.M.S. Law College, Imphal | 759 | 1083 |
| 3. | Don Bosco Higher Secondary School, Chingmeirong | 1084 | 1540 |
| 4. | Sangai Higher Secondary School, Chumbreithong, near N.R.L. Oil Depot, Mantripukhri | 1541 | 1989 |
| 5. | E.K. Higher Secondary School, Sangakpham | 1990 | 2828 |
| 6. | Liberal College, Luwangsangbam | 2829 | 3897 |

**(B) MANDOL**

| SL. NO. | EXAMINATION CENTRE | Roll Numbers Starting | Roll Numbers Ending |
|---|---|---|---|
| 1. | Manipur Public School, Koirengei | 01 | 562 |
| 2. | Liberal College, Luwangsangbam | 563 | 592 |

**EXAMINATION TIME-TABLE**

| Date | Name of post [Class-C] | Scheme of examination | | Duration |
|---|---|---|---|---|
| 18-09-2016 (Sunday) | Lower Division Clerk (LDC) | English | 100 marks | 3 hours (10:00 am to 1:00 pm) |
| | | General Knowledge | 50 marks | 1½ hours (2:00 pm to 3:30 pm) |
| | Mandol | English | 50 marks | 3 hours (10:00 am to 1:00 pm) |
| | | General Knowledge | 50 marks | |

2. Further, candidates from far flung places are advised to make prior arrangements to ensure their appearance in the above examination. No request would be entertained to consider the candidature of the applicants unable to reach the venue of the examination well in time.

Sd/-
**H. Balkrisna Singh**
Under Secretary (Revenue)
Government of Manipur.

HL-B/3324/16&17

**BUMPER HOUSIE**
TODAY TODAY
*Chaokhat Marup Yaipha Khongthang*
*Date: 17-09-2016*
*Time: 5:00 p.m.*
*Venue: Kakwa Community Hall*
**TICKET RATE RS. 1000/-**



*Prizes:*
1st Housefull : ACTIVA
2nd Housefull : ACTIVA
3rd Housefull : ACTIVA
4th Housefull : ACTIVA
5th Housefull : ACTIVA
6th Housefull : ACTIVA
7th Housefull : ACTIVA
Half Set : Rs. 30,000/-
All Line : Rs. 3000/-
#: 7085435307

*N.B. Pung 4:00 Faobagi Manungda Paid Touba Ticket Singi Oina Free Mini Ticket ama hapchagani*

**MINI BUMPER**
Rate: Rs. 100/-
**Housefull**
Sana tula ama
2nd Mini Bumper Draw
*Ticket Rs. 500/-*
Housefull : 2 lakhs

HL-P/9806/17

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

*Ref:- Mut Case No. 846/SDC/IW(P) of 2016*

Kayenpaibam Sobhachandra Singh S/o (L) K. Tolpishak Singh of Patsoi Part-II.
-Petitioner

-Vrs-

Late Kayenpaibam Tolpishak Singh S/o (L) Sajou Singh of Patsoi Part II.
-O.P. Party

**/NOTICE**

........ 20.....

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৮০-পাৎসোইগী পাট্টা নম্বর ৮০/৮৬৬ দাগ নম্বর ২৪৫১/২৫৪৩ গী পোইন্ট ০.২৫ একরগ চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/০৯/২০১৬ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/9810/17 *Sd-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi



HL-B/3268/19/08-18/09

# EMPLOYMENT NEWS

**Central Drug Research Institute – CDRI Recruitment 2016 – 13 Technical Assistant Vacancy – Last Date 07 October**

**CDRI Recruitment 2016**

Central Drug Research Institute invites Applications for the post of 13 Technical Assistant. Apply before 07 October 2016.

Advt. No. : 03/2016

**Job Details :**

Post Name : Technical Assistant
No of Vacancy : 13 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-

**Eligibility Criteria for CDRI Recruitment :**

Educational Qualification : Ist Class B.Sc. in relevant Discipline along with One year Full time Professional Qualification in relevant Discipline or One year experience from a recognized Institute / organization.

Nationality : Indian
Age Limit : 28 years As on 07.10.2016

**Age Relaxation :**

For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

Job Location : Lucknow (Uttar Pradesh)

**Application Fees :**
Candidate have to Pay Rs.100/- through Online/Offline Mode. The candidates belonging to SC/ST/PWD/Women/Other Gender category/CSIR Employees/Ex Servicemen/Abroad Candidates are exempted from submission of application fee.

**How to Apply CDRI Vacancy :**
Interested candidates may Apply Online through the website https://recruit.cdri.res.in from 07.09.2016 to 07.10.2016. The print-out of the application, generated after online submission, duly accompanied by self-attested copies of the requisite certificates, mark sheets, age proof, education qualifications, experience, re-prints of publications and caste certificate, if applicable, along with one recent coloured passport size self-signed photograph affixed should be sent in an envelope super-scribed "APPLICATION FOR THE POST OF ____________ (Post Code ________)" by post to " The Director, CSIR-Central Drug Research Institute, Sector 10, Jankipuram Extension, Sitapur Road, Lucknow – 226031, Uttar Pradesh, India" on or before 21.10.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Registration for Online Application : 07.09.2016

Last Date for Submission of Fee : 07.10.2016

Last Date For Submission Of Application Form : 07.10.2016

Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application : 21.10.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://recruit.cdri.res.in/(S(fppsmy5m1q2wgq42umkhlqdp))/advt032016.pdf
Apply Online : https://recruit.cdri.res.in/

**Delhi Police Recruitment 2016 – 4669 Constables (Executive) Male/Female Vacancies – Last Date 10 October**

**Delhi Police Recruitment 2016**

Delhi Police invites Application for the post of 4669 Constables (Executive) Male/Female in Delhi Police-2016. Apply Online before 10 October 2016.

**Job Details :**

Post Name : Constables (Executive) Male
No of Vacancy : 3115 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

Post Name : Constables (Executive) Female
No of Vacancy : 1554 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria :**

Educational Qualification : 10+2 (Senior secondary) pass from a recognized Board/University.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.07.2016

For Male Candidates : 18 to 21 years
For Female Candidates : 18 to 25 years
Age of Relaxation :

Scheduled Caste/Scheduled Tribe : 5 years
Other Backward Classes : 3 years
Job Location : New Delhi

**Selection Process :**
Selection will be based on Physical Endurance, Measurement Test & Computer Based Written Test.

**Application Fee :**
Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Challan/Net banking and any credit and debit cards. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, and Scheduled Tribes and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee

**How to Apply Delhi Police Vacancy:**
Interested candidates may Apply Online through the website http://ssconline.nic.in form 10.09.2016 to 10.10.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission Of Online Application : 10.09.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 10.10.2016
Last Date for Payment of Application fee by Challan : 13.10.2016
Date of Computer Based Written Exam : 04.03.2017
Important Links :

Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/dpconstable_notice090916.pdf

Apply Online : http://ssconline.nic.in/dpconstable/